**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM**
**(DATE 06-01-2025)**

**অকাশবানি ইম্ফালগী**

**অয়ুক পুং ৭.৩০ গী মণিপুরি পাউ**

**(তাং ০৬-০১-২০২৫, নিংথৌকাবা)**

**বিরেন(এল)ঃ** মণিপুরদা চংলকখিবা ম্যান্মার মচা ২৬ ঙরাং মরমদা হলহনখ্রে। মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন সিংহনা সোসিএল মেদিয়াদা থাদোরকপা চেরোল অমদা হায়-মণিপুরগী শাংলবা ঙমখৈ পরিংদা চংশিল্লকখিবা ম্যান্মার মচাশিং অদু মখোয়গী মরমদা হলহনখিবনি। মোরেদা পাঙথোকপা থৌরম অমদা মখোয়বু মরমদমদা হলহনখিবনি। মুখ্য মন্ত্রিনা হায়-লাননা মরম ওইদুনা চেল্লক্লবা মীওইশিংদা মীওইবগী মীনুংশি য়েংদুনা মতেং পাঙবা হায়বা সরকারগী অচেৎপা ফীরেপ অদুগা লোয়ননা ম্যান্মার মচাশিং অদু লমদম অসিদা নিংথিনা অশোয় অঙাম য়াওদনা থল্লবা মতুং মরমদমদা হলহনখিবনি। অদুম ওইনমক সরকার অসিনা আইন কাইনা চংশিল্লকপা মীওইশিংগী মথক্তদি অচেৎপা ফীরেপ অমগা লোয়ননা লৌখৎফম তৌবা থবকশিং লৌখৎকনি।

অতোপ্পা পোষ্ট অমদা মুখ্য মন্ত্রিনা হায়-ঙরাং খোঙশাং রেলৱে স্তেসদা বিলামবতি মেত্রিক তন লিশিং ২,৩৯০ পুশিল্লকখ্রে। মসি মণিপুরগী ওইনদি চাউথোকচনিঙাইনি। মুখ্য মন্ত্রিনা হায়-তঙাইফদবা পোৎলমশিং রেলগী খুথাংদা পুশিল্লকপা অসিনা মণিপুরদা তঙাইফদনা চংবা পোৎলমশিং মরাং কাইনা ফংহন্নবা হোৎনবদা চাউনা মতেং ওইরগনি।

**পুলিস(এল)ঃ** সেক্যুরিতি ফোর্সনা ঙরাং চুরাচান্দপুর জিলাগী খুগা মাতা খুলদগী দল্লিয়ু ৱাই তেল্লেট অমসুং ব্রাউন সুগর ফারে। মণিপুর পুলিসনা সোসিএল মেদিয়াদা থাদোরকপা চেরোল অমদা হায়-দল্লিয়ু ৱাই তেল্লেট অমসুং

ব্রাউন সুগর অদু মীওই অনিনা চাকা মরি পানবা গারি অমদা হাপ্পুনা পুরকপনি। মখোয়দগী শাপোন কেপ ৬০ দা হাপ্লন্বা ব্রাউন সুগর গ্রাম ৭৭৬, দব্লিয়ু ৰাই তেব্লেট ৫৩৭ ফাগৎখি।

অমরোমদা, মণিপুর পুলিসনা ঙরাং কে.সি.পী (পী.দব্লিয়ু.জি)গী মীওই অমা ককচিং জিলাগী ৱাবগাইদগী ফারে। ফারবা মীওই অসি ককচিংগী মফম কয়াদা শেল খাইবদা চেন্নবনি হায়রি। ফারবা মীওই অদু ককচিং পুলিস স্তেসনদা শীন্নখ্রে হায়রি।

মরক অসিদা, চীং অমসুং তম্পাক্কী চিংনবা মফমশিংদা থিবা হুন্বগী থবক লেপ্তুনা চথরি। নেসনেল হায়ৱে-২ ইম্ফাল দিমাপুর লম্বীদা তঙাইফদনা চংবা পোৎলমশিং পুবা ত্রক ৩৩১ অশোয় অঙাম য়াওদনা পুশিল্লকখ্রে।

**সিআরপীএফ(এল)ঃ** ৮৭ বট্টালিয়ন সি.আর.পী.এফনা জিরিবামগী উচাথোলদা লৈবা মসিগী হেদক্বাতরদা মেলা পাঙথোকখ্রে। মেলা অদু জিলা অসিগী দিপ্যুটি কম্মিস্নর শ্রী কৃষ্ণ কুমারনা হৌদোকখি। হৌদোকপগী থৌরমদা জিরিবামগী এস.পী, সিভিল অমদি পুলিসকী মকোক থোংবা ওফিসিএলশিং শরুক য়াখি।

**এআর(এল)ঃ** অসাম রাইফলসনা শিন্দুনা বিষ্ণুপুর জিলাগী নম্বোলদা নহাশিংগী ওইবা লেকচর প্রোগ্রাম অমা পাঙথোকখ্রে। লেকচর প্রোগ্রাম অদু পাঙথোকপগী মরুওইবা পান্দমদি নহাশিংদা সরকারনা পীরিবা তোঙান তোঙানবা য়াইফ থৌরাং স্কিমশিংগী মতাংদা খঙহনবনি। থৌরম অদুদা মফম অদুগী নহা ৩৫ রোম শরুক য়াখি।

অমরোমদা, তেংনৌপল জিলাগী মিসন বেংদা থা অসিগী ৪ অমসুং ৫ গী লোন্নবা অহিংদা য়ুম ১৫-২০ লোম মৈ চাকখি। মৈ অদু সোর্ট সর্ক্যুইটতগী হৌরকপা ওইরমগনি হায়রি। অসাম রাইফলস অমসুং ফায়র সর্ভিসেসনা মখা

তানা মৈ অদু শন্দোরক্তনবা হোৎনখি হায়রি।

**প্রেসক্লব(এল)ঃ** মণিপুর প্রেস ক্লব হৌদোকখিবগী গোল্ডন জ্‌বিলিগী থৌরম ঙসি পাঙথোক্লগনি। থৌরম অসিদা মণিপুর বিধান সভাগী অধক্ষা থোকচোম সত্যাব্রট, হকশেল অমসুং য়াইফ য়ুন্বাল মন্ত্রি অমদি আই.পী.আর মন্ত্রি ডা.সাপম রঞ্জন, এম.এল.এ খুমুকচম জয়কিসন, ইদিতরস গিল্ড মণিপুরগী প্রসিদেন্ট খোগেন্দ্র খোমদ্রাম, অমজ্‌গী প্রসিদেন্ট বিজয় ককচিংতাবমনচিংবা শরুক য়াগনি। থৌরম অসিগা মরি লৈননা জর্নেলিষ্ট মেমোরিএলদা লৈখিদ্রবা জর্নেলিষ্টশিংগী মফমদা ইকাই খুমবা উৎপা অমসুং জর্নেলিষ্ট এৱার্দ খুৎশিন্নগনি।

**ত্রান্সপোর্ট(এল)ঃ** রাজ্যগী ত্রান্সপোর্ট বিভাগনা ইন্দিয়ন রেদ ক্রোস সোসাইতি, মণিপুর ষ্টেট ব্রাঞ্চনা খুৎশমরগা নেসনেল রোদ সেফতি মন্থ ২০২৫ হৌদোকখ্রে। ইন্দিয়ন রেদ ক্রোস সোসাইতিগী ওফিসতা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা ত্রান্সপোর্ট মন্ত্রি খাসিম ভাসুম শরুক য়াখি।

**হিদাকঃ** সাইন্স এন্দ টেকোলোজি মন্ত্রি ডা.জিতেন্দ্রনা হায়রি-কাউন্সিল ওফ সাইন্তিফিক এন্দ ইন্দস্ত্রিয়েল রিসর্স (সি.এস.আই.আর)না মীয়ামা অরুম লাইহৌ হৌবা মতমদা পাক্তননা শিজিন্নরিবা পেরা সিতামোল পুথোকবা হোৎনরি। মহাক া হায়-হিদাক অসি লমদম অসিগী ওইজবা টেকোলোজি শিজিন্নদুনা পুথোকবা হোৎনগনি।

নিউ দেল্লিদা দিপার্টমেন্ট ওফ সাইন্ফিক এন্দ ইন্দস্ত্রিয়েল রিসর্স লিংখৎখিবগী কুমওন থৌরমদা ৱা ঙাংলদুনা ডা.জিতেন্দ্রনা হায়-থৌরাং অসিনা ভারতপু পেরা সিতামোল পুথোকপগী লমদা মশা মরোমদোম লেপচবা ঙম্বা লৈবাক ওইহনবগা লোয়ননা হিদাক অসি শানবা হোৎনবদা মপাল লৈবাকশিংদগী মচাক মথুমশিং পুশিল্লকপগী চাং হন্থহল্লগনি। মন্ত্রিনা হায়-লৈবাক

অসিদা লমদম অসিগী ওইবা মচাক মথুমতনা শাজবা হিদাক কয়ামরুম পুথোক্লি।

**পিএমঃ** প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা ঙসি তোঙান তোঙানবা রেলৱে প্রোজেক্টশিং যাত্রা হুনগনি অমসুং শঙ্গাগনি। ভিদিও কনফরেন্সিংগী খুত্থাংদা প্রধান মন্ত্রিনা নিউ জম্মু রেলৱে দিভিজন শঙ্গাগনি। মহাকা তেলঙ্গনাদা চরলাপলি নিউ তর্মিনেল স্তেসন শঙ্গাগনি অমসুং ইষ্ট কোষ্ট রেলৱেগী রায়াগর রেলৱে দিভিজন বিলদিং শানবা যাত্রা হুনগনি। জম্মু রেলৱে দিভিজন শেমগৎপনা জম্মু কাশ্মির অমসুং মসিগী অকোয়বা মফমশিংদা খুন্দারিবা মীয়ামদা চাউনা খুদোংচাবা পীরগনি। মসিনা থবক ফংহনবদা মতেং পাংবতা নত্তনা ইনফ্রাস্ত্রকচর চাউখৎহনবা, টুরিজম চাউখৎহনবা অমসুং শেল থুম অমদি সমাজ চাউখৎহন্নবা হোৎনবদা চাউনা মতেং ওইরগনি। তেলঙ্গনাদা পায়খৎকদৌরিবা চরলাপলি নিউ তর্মিনেল স্তেসন অসি লূপা কোতি ৪১৩ চংনা শেমগৎপনি।

**পিএমঃ** প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা ঙরাং নিউ দেল্লিদা ভর্চুএল্লি ওইনা সেন্ত্রেল অয়ুর্বেদা রিসর্স ইন্সটিট্যুটকী অনৌবা বিল্ডিং শানবা যাত্রা হুনখ্রে। অনৌবা বিল্ডিং অসি লূপা কোতি ১৮৫ চংনা শেমগৎকদবনি। লম একর ২.৯৫ দা শেমগৎকদৌরিবা বিল্ডিং অসিদা স্কিল দিভলপমেন্টকী য়াওনা অখন্নবা ক্লিনিকশিং লৈগনি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা শ্রী মোদিনা হায়-সরকার অসিনা হকশেলগী লমদা অহেনবা মীয়েং চংবগা লোয়ননা খম থেংনা লাইরবা মীওইশিংদা হকশেলগী খুদোংচাবা ফংহন্নবা হোৎনরি। মহাকা হায়-সরকার অসিনা অয়ুস অমসুং অয়ুর্বেদা য়াওনা মহৌশাদগী চৎনরক্লবা অনা লায়েংগী থৌশিল হেন্না চাউখৎহন্নবা হোৎনরি। মহাকা হায়-হৌখিবা চহী ১০ অসিদা অয়ুসকী থবক থৌরম লৈবাক ১০০ হেনবদা পাকথোক চাউথোকখ্রে। শ্রী মোদিনা হায়-মহৌশাদগী চৎরক্লবা অনা লায়েংগা মরি লৈনবা ৱার্ল্ড হেলথ ওর্গনাইজেসনগী

অহানবা ইন্সটিট্যুসন ভারত্তা লিংখৎখি। মহাকা হায়-চয়োল খরগী মমাঙদা ওল ইন্দিয়া ইন্সটিট্যুট ওফ অয়ুর্বেদাগী অনিশুবা তাঙ্কক হৌদোকখ্রে। ভারত অসি মালেমগী ওইবা হেলথ এন্দ ৱেলনেজ কেপিতেল ওইবগী মচাক মথুম মরাং কাইনা লৈ হায়না শ্রী মোদিনা ফোঙদোকখি। মহাকা হায়-মেক ইন ইন্দিয়া মন্ত্র শিজিন্নবগুম হিল ইন ইন্দিয়া হায়বা থৌরাং মালেমগী মীয়ামা চৎনগদবা মতম কুইরক্ত্রে।

**--পাউ লোইজরে--**

**---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---**

মণিপুরদা ঙসি ফোঙলিবা পাউচেশিংদা আইন থুগাইদুনা ইরাং হৌরিবা মীওইশিংগী মথক্তা এন.এস.এ পান্নবা গভর্ণরনা সেক্যুরিতি ফোর্সশিংগী মকোক থোংবশিংদা খঙহনখিবা, রোদ সেফতিগী নিয়ম থুগাইরকপদা শক মাই য়েংদনা এক্সন লৌখৎনবা ত্রান্সপোর্ট মিনিষ্টরনা খঙহনখিবা ৱাফম, মণিপুর ওলিম্পিক এসোসিএসনগী ওফিস থিংজিন্দুনা অয়েৎ অপন পীবীগনু হায়না শাত্রাগী সংস্থান ৫ না থমখিবা ৱাফমনা তোঙান তোঙানবা হেদলাইন তৌদুনা ফোনরি।

মণিপুর নিউজতা-ষ্টেট অসিদা হিংশাগী থৌদোকশিং থোকহল্লিবা মিসক্রিএন্টশিং এন.এস.এনা দিতেন তৌনবা দি.জি.পীদা খঙহনখ্রে হায়না অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি নহারোলগী থৌদাংদা-আইন থুগাইদুনা ইরাং হৌহল্লিবা মীওইশিংগী মথক্তা এন.এস.এ পান্নবা খঙহনখ্রে হায়না অহানবা হেদলাইন ওইরি। পাউ অসি ইম্ফাল ফ্রি প্রেসকীসু অহানবা হেদলাইন ওইরি।

সনাৌবাক পাউচেদা-মণিপুর ওলিম্পিক এসোসিএসনদা থল্লিবা অথিংবা হন্দোকপীয়ু হায়না শাত্রগী সংস্থান ৫ গী ৱাঙাংলোই ময়েংবম সোমোর্জিৎনা থমখিবা ৱাফম অহানবা লমাইদা ফোঙলি। চেয়রপর্সন হাপ্তবনা হ্যুমেন রাইটস কন্মিসন থমবগী ৱাহন্থোক লৈহনদ্রে হায়বা পাউনা পাউচে অসিগী অহানবা হেদলাইননি। সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস ইদিসনদা-নেসনেল গেমস মাংওইননা মণিপুর ওলিম্পিক এসোসিএসনদা অথিংবা থম্বা হন্দোকউ হায়না শাত্রগী সংস্থানশিংনা ফোঙদোকখিবা ৱাফম মরুওইবা পাউ ওইনা ফোঙলি। মণিপুরদগী সেটিলাইট তেক তৌখিবা অমুর ফেলকন সাউথ অফ্রিকা য়ৌখ্রে হায়বা পাউচে অসিগী এঙ্কর কলমদা ফোঙলি।

পোকফমদা-ইন্দিয়ানা কুকি তেরোরিষ্টশিং শৌগৎলিবা মখে প্রোক্সি ৱার লোইশিনবা ঙম্লোই হায়না কোকোমিনা ফোঙদোকখিবা ৱাফম অহানবা হেদলাইন ওইরি। পাউ অসি পীপলস ক্রোনিকল, সঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরী ইদিসন, ইচেল এক্সপ্রেস, ইম্ফাল ফ্রি প্রেসদসু মরুওইবা পাউ ওইনা ফোঙলি।

অমিত শাহ লৌথোকত্রিবা ফাওবা কংগ্রেসনা চহী অমা চুপা অশাংবা খোঙচৎ চৎকনি হায়না লাউথোকখ্রে হায়বা পাউনা হুইয়েন লানপাউগী অহানবা হেদলাইন ওইরি। কোতুগী ব্লোকেদ, সটদাউন্দ হন্দোকখিবদগী পন্দুনা লৈরম্বা গারিশিং ইম্ফাল য়ৌরকখ্রে হায়বা পাউনা ইচেল এক্সপ্রেসকী অহানবা হেদলাইন ওইরি।

ষ্টেট অসিদগী ম্যান্মার মচা ২৬ হলহনখ্রে হায়না মোর্নিং বেলগী অহানবা হেদলাইন ওইরি।